## দিসক্বালিফিকেসন কেসকী নোটিস থাখ্রে

পনাজি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

মহারাষ্ট্রৱাদি গোমন্টক পার্টি (এম জি পি)না ফাইল তৌবা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন অমগা মরী লৈননা ইরাই নুমিৎতা বোম্বে হায় কোর্টকী গোৱা বেঞ্চনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমা য়াওনা বি জে পিগী সিট্টিং এম এল এ অনীদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

নোটিসশিং অদু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনোহর অজগাওনকর অমসুং পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্ট মিনিষ্টর দীপক পুস্করদা ইস্যু তৌখি। মখোয়নিমক্না কুমজা ২০১৯গী মার্চতা রিজনেল পার্টি মচেৎ তাহনখি অমসুং চোংথোকখিবা য়ুনিট অদু রুলিং বি জে পিদা তিলহনখি। দিসক্বালিফিকেসন কেস অসিগী মথংগী হীয়ারিং ওক্টোবর ২২দা পাঙথোক্কনি।

কুমজা ২০১৯দগী পূন্না কোংগ্রেস এম এল এ ১৩ অমসুং মহারাষ্ট্রৱাদি গোমন্তক পার্টিগী এম এল এ অনী রুলিং বি জে পিদা য়াওখ্রে। এম এল এ ৪০না গোৱা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি শেম্মী। ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীখল মথং চহীগী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## দেল্লীদা লৈবা কোর্ট অমদা নোংমৈ কাপ্পদা অন্দরত্রাইএল য়াওনা মীওই অহুম শিরে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং অরেম্বা তাহনবা মরু ওইবা থৌদোক অমদা ইরাই নুমিৎতা দেল্লীগী রোহিনি কোর্ট মনুংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা অন্দরত্রাইএল গেংষ্টর অমা য়াওনা মীওই অহুম শিখ্রে।



সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু রোহিনি এন দি পি এস কোর্ট নম্বর ২০৭তা থোকখিবনি। দেল্লী পুলিস স্পেসল সেলনা ফাখিবা গেংষ্টর জিতেন্দ্র সিংহ মান এলিয়স গোগি কোর্টতা পুথোকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। গোগিবু মহাক্কী রাইভেলশিংনা নোংমৈ কাপ্পুনা হাৎখি। এটেকরশিং অদু টিলু টাজ পুরিয়া গেংগীনি হায়বসি সোর্ছশিংনা কনফর্ম তৌখি।

স্পেসল সেলনা গোগিবু হৌখিবা এপ্রিলদা ফাখি। মহাক হরয়ানাগী শৈশকপী মশাগী চহী ২২ শুরবী হরিশতা দাহিয়া হাৎপদা চেন্নখি। শৈশকপী অদু কুমজা ২০১৭তা মশক খঙদবা মীওইশিংনা পনিপটতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

গোগি দেল্লী পুলিসনা লুপা লাখ মরিগী কেস রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা, ক্রিমিনেলনি। হরয়ানা পুলিসনসু কেস রিৱার্দ লুপা লাখ ২.৫ লাউথোকখি। থৌদোক অসি কনফর্ম তৌরদুনা দেল্লী পুলিসকী স্পোক্সপর্সন অমনা হায়, পুলিস টিম অমনা খোঙলৈ থুনা এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা নোংমৈ কাপখি। এটেকরশিংদুগী মনুংদা অনীদি উকিলগী ফিজোল শেৎখি। মখোয়না অন্দরত্রাইএল জিতেন্দর গোগিদা এটেক তৌখি।

পুলিস সোর্ছশিংনা এটেকর অনীমক গোগিগা লোয়ননা শিখি। মখোয়না গোগিবু হাৎখি অমসুং পুলিসনা মখোয়বু কাপ্পুনা হাৎখি। থৌদোক্তু থোকখিবা মতমদা জজ অদুসু কোর্টতা লৈখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তুদা নুপী উকিল অমসু শোকখি। এটেকরশিং হাৎলে হায়বসি দেল্লী পুলিস কম্মিস্নর রাকেশ অস্থানানসু কনফর্ম তৌখি।

## আই দি পেরেদতা গেং রেপ ভিক্টিমনা রেপিষ্টশিং মশক তাকখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সী):

মাইসুরুদা থোকখিবা গেং রেপকী থৌদোক্কা মরী লৈনবা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা কর্নাটকাগী সিটি অসিদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট জেলদা পাঙথোকখিবা আইদেন্টিফিকেসন পেরেদ অমদা ভিক্টিম অদুনা মঙোন্দা এটেক তৌখিবা মীওইশিং অদু মশক তাকখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গেং রেপকী থৌদোক অদু থোকখিবা থা অমা কান্নরগা খোঙথাং অসি লাকপনি। ভিক্টিম ওইরিবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা এম বি এ গ্রেজুএট অদুনা সেপ্টেম্বর ২২দা ওপন কোর্টতা মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট পীখি।

সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না মহাক আইদেন্টিফিকেসন পেরেদ অদুগীদমক্তা শগোলশেন নুমিৎতা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মাইসুরু দিষ্ট্রিক্ট জেলদা পুরকখি। একুজশিং অদু অতৈগা লোয়ননা পরেং ওইনা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা ভিক্টিমনা রেপিষ্ট পূম্নমক মশক তাকখি।

প্রোসেস অদু ভিদিও রেকোর্দিং তৌখি। মিনিট ৪৫ চুপ্পা মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা ভিক্টিমগী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখি। মহাক্না অৱাবগী মশক ওইরবা এক্সপরিএন্স অদু কূপ্না তমখি।

থীজিন হুমজিনবদা খুরৌ কয়া মায়োক্নখিবা মাইসুরু পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং টিমনা হৌজিক মরাল লৈবা মীওইশিং অদু মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজরি। প্রোসিক্যুসনগী মায়কৈদগী একুজশিং অদু শিবগী চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা ষ্টেট এসেমব্লিদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৫দা টামিল নাদুগী মেম্বর তরেৎকী গেং অমনা অভালাহাল্লি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চামুন্দি হিলাসকা নক্নবা অচিকপা মফম অমদা ভিক্টিম অদুবু এটেক তৌখি। ভিক্টিম অদু ক্লাস য়াওরবা মতুং নুমিদাং অথেংবদা মহাক্কা খঙনবা নুপা অমগা চৎমিন্নখিবনি।

পুলিস সোর্ছশিংনা হায়, একুজশিং অদুনা এটেক অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মখোয়না নুপা-নুপী অনীমক্তা এটেক তৌখি। ভিক্টিম নুপা অদুবু মখোয়না নুংদুমনা মরাইবক্তা শুখি। মতুং তাবদা মখোয়না নুপী অদু নারক-মোংশোংদা চিংশিনখি অমসুং মখোয় মশেল মথং মনাও নাইনা মহাকপু রেপ তৌখি। মখোয়না ভিক্টিম অদুগা চৎমিন্নরম্বা নুপা অদুদগী লুপা লাখ অহুম দিমান্দ তৌখি।

নুপা অদুনা মহাক্কী মপাদা ফোন তৌদুনা শেনফম অদু এরেঞ্জ তৌনবা হায়খি। মফম অদু থাদোক্তুনা চৎত্রিঙৈদা একুজ রেপিষ্টশিং অদুনা মখোয়নিমক্তা অমুক হন্না এটেক তৌখি। ভিক্টিম নুপা অদুগী মপা মফম অদুদা মহাক্কী কার তোংলগা লাকখি অমসুং মখোয়বু মহাক্না হোস্পিটালদা পুখৎখি। মতম অদুদা ভিক্টিম অদু ৱাখল তাদনা লৈখি।

থৌদোক অদুগী মতুং ভিক্টিম অসি পুলিসতা ষ্টেটমেন্ট পীয়ু য়াখিদে। মহাক্কী মপা-মমানসু পুলিসতা কোওপরেসন পীয়ু য়াখিদে। অদুম ওইনমক স্পেসল টিমনা একুজ পূম্নমক ফাবা ঙমখি।

## বন্দ মাই পাক্নবা কেম্পেইন তৌরি

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

টামিল নাদুদা সেপ্টেম্বর ২৭কী 'ভারত বন্দ' মায় পাকহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট অসিগী রুলিং দি এম কেনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা পাক-শন্না কেম্পেইন চথুরি। পার্টি অসিনা বন্দ অদু লৌমীশিংগী রাইটশিং কন্নবা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রদুনা মীয়ামদা বন্দ অসিবু মায় পাকহন্নবা আপীল তৌখ্রে।

দি এম কে ষ্টেট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি আর এস ভরোতিনা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী শিনফমদা লৈবশিংনা মীশিং য়াম্বা লৈবাক অসিদা লৌমীশিংগী তশেংলবা তঙায় ফদবশিংগীদমক্তা পার্টি অসিনা লেপ্লি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈবা লৌমী এসোসিএসন কয়া য়াওবা মুভমেন্ট অমা ওইরিবা সময়ুক্তা কিসান মোর্চানা সেপ্টেম্বর ২৭তা লৈবাক শীন-থুংনা পীছফুল ষ্ট্রাইক অমা কৌখিবনি।

'ভারত বন্দ' কৌবা ষ্ট্রাইক অদুগী মরু ওইবা এজেন্দাদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোকখিবা লৌমীশিংগী মায়োক্তা ওইবা ফার্ম লোশিং রিপীল তৌহনবা অসিনি হায়না মোর্চাগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

দি এম কে এগ্রিকলচর ৱিংগী ষ্টেট চীফ পেরিয়াসামিনা ঈংনা-চিক্না পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়ানবা অমসুং মদুবু মায় পাকহন্নবা টামিল নাদুগী ফার্ম ৱর্করশিং, মীচম-মীয়াম, ত্রেদরশিং অমসুং সোসল ওর্গনাইজেসনশিংদা আপীল তৌখি।

## পোটহোলশিং লৈহন্দনবা রোদ ওদিট ওর্দর তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী কেপিটেল বেঙ্গলুরুগী লম্বীশিং ফিভম ফনা লৈহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সিটি অসিগী লম্বীশিং এদিট তৌনবা খঙহনখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা ফিভম ফৎত্রবা লম্বীশিংগী মরমদা কমপ্লেন্ট কয়া লাকখ্রবা মতুংদা লম্বী পূম্নমক য়েংশিল্লগা মখোয়গী ফিভমশিং খঙদোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বাসাভরাই বোম্মাইনা সিটিজনশিংদা থাজবা পীখ্রে।

কোংগ্রেসকী এম এন সী পি আর রামেশনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা বোম্মাইনা শগোলশেন নুমিৎতা হায়খি, বেঙ্গলুরু সিটিগী ৱার্দ পূম্নমক্তা লম্বীশিং শেমজিন্নবা অমদি শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা কুমজা ২০১৫দগী য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীমক অমসুং ব্রুহট বেঙ্গলুরু মহানগারা পালিকে (বি বি এম পি)না লুপা ক্রোর ২০,০৬০ রিলীজ তৌখ্রে।

স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকা মরী লৈননা লম্বী ২৬ শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলে। টেন্দর স্যুর মোদেলগী মখাদা লুপা ক্রোর ৪২৬.৬০ চঙনা লম্বী ৪৬ শেমগৎলি। বোখাইনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী মঙাগী মতমদা লুপা ক্রোর লিশিং কয়া চাদিং তৌখ্রবসু লম্বীশিংগী ক্বালিটি ফগৎহনবা ঙমখিদে অমসুং লম্বী কয়া পোটহোলশিংনা থনখি।

ফিভম অসি কোকহন্নবগীদমক বেঙ্গলুরুগী লম্বী পূম্নমক ওদিটিং তৌরগনি। লম্বীশিং ওদিটিং লোইবগা লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী চহিশিংগী, অকূপ্পশিং, কন্ট্রেক্টর, ইন-চার্জ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং মেন্টেনেন্স মতমগী অকূপ্পশিং শেংনা খঙবা য়ারগনি। মেন্টেনেন্স নীংথিনা তৌরমদবশিংগী মতাংদদি গভর্ণমেন্টনা এক্সন লৌখৎতুনা ওফিসরশিংদা থৌদাং য়াহনগনি।

কোংগ্রেস এম এল সী সী আর রামেশনা বেঙ্গলুরুগী ফিভম ফৎত্রবা লম্বীগী মতাংদা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা সিটি অসিগী লম্বীশিংদা তৌখিবা চাদিং খন্নবা তারবদি লম্বী কিলোমিটর অমমম শেমগৎ-শাগৎপদা লুপা ক্রোর ১.৩০দগী লুপা ক্রোর ২ ফাওবা চাদিং তৌখি হায়বা য়াই।

## গোৱাগী ইলেক্ট্রোনিক্স সিটিদা ইন্দষ্ট্রিশিং লিংবা য়ারগনি

পনাজি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা খরা থিন্থরবসু গোৱা গভর্ণমেন্টনা নোর্থ গোৱাগী টুএম ভিলেজদা শেমগৎলিবা অচৌবা পান্দম লৈবা ইলেক্ট্রোনিক্স সিটি ক্লষ্টর অসি কুমজা ২০২২গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎপা য়ারগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



ইলেক্ট্রোনিক সিটি ক্লষ্টর অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৬তা উরেপ উয়ুং তমখি। স্কৱার মিটর ৫.৯০ পাক-চাওবা এরিয়াদা ক্লষ্টর অসি শেমগৎলিবনি।

ষ্টেট কেপিটেলদা পাঙথোকপা ইনভেষ্টর সম্মিট অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সৱান্টনা হায়খি, রোদ, ইলেক্ট্রিসিটি, ইন্টরনেট কন্নেক্টিভিটি অমসুং ৱাটর সপ্লায়গী মথৌ তাবশিং য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূম্নমক কুমজা ২০১২গী মার্চ ফাওবগী মপুং ফানা লাংবা লোইরগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ইনভেষ্টর ৩০ রোম্না ক্লষ্টর অদুদা ইলেক্ট্রোনিক্স মেন্যুফেকচরিং সেন্টরশিং শেমগৎতুনা ইনভেষ্ট তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপদা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ইঞ্জিনিয়রিং কোলেজশিং পোলিটেক্নিক, আই আই টি কোলেজগা কোলাবোরেসন তৌনবা, মহৈরোয়শিংবু ট্রেনিং পীনবা অমসুং সিলেবস ফগৎহন্নবা, ইন্টর্নসিপ প্রোজেক্ট ৱর্কশিংগা মরী লৈননা ঐহাক্না নখোয়বু তরাম্না ওক্লি। মসিনা নহারোলশিংবু কোলেজদগী পাস তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দষ্ট্রিগীদমক শেম শাবা ঙমহনগনি।

ঐহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টমেন্ট সপোর্ট তৌদুনা বিজনেস নুংঙাইনা তৌহনগনি। টুএমদা পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী থবক ইশামক্না মোনিটর তৌগনি। প্রোজেক্ট অসিনা গোৱাগী নহারোলশিংবু থবক ফংহনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা নহারোলশিংবু মশানা থবক পীজবগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## পোলিং বুথতা নোংমৈ কাপখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা বিহারগী অহানবা তাঙ্কক্কী পঞ্চায়ত মীখলদা ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রে।

থৌদোক অদু ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বসাইনি ভিলেজগী বুথ নম্বর ১৪৪ অমসুং ১৪৫দা থোকখিবনি। অকক্নবা কেন্দিদেট অমা শৌগৎতুনা ভোটর কয়াগী মহুৎ শিল্লগা ভোট থাদনবা বুথ কেপচর তৌনবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ইলেক্টরেল ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন্দি য়াওখিদে। বুথ অদুদা লৈবা সিক্যুরিটি পর্সনলশিংনা ফিভম লাকশিনখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা ভোট থাদনবা ক্যুদা লেপ্লম্বা ভোটর কয়া চেন্নখি। খূদক্তা এস দি ও অমসুং এস দি পি ও লাক্তুনা ফিভম নোর্মেল তাহনখি।

## মহন্ত মীশি থীজিনবগী থবক সী বি আইনা পায়খ্রে

প্রয়গরাজ, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

অখিল ভারতিয়া অখরা পরিষদকী চীফ মহন্ত নরেন্দ্র গিরিনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মথোং-মরম খঙদনা শিখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোসেস হৌনবা মেম্বর মঙানা শাবা সী বি আই টিম অমা শগোলশেন নুমিৎতা প্রয়াগরাজদা থুংখি। নরেন্দ্র গিরিগী মীশিগী মতাংদা সী বি আইবু থীজিলহন্নবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা রিক্কম্মেন্দ তৌবদগী এজেন্সী অসিনা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবনি।

মশাগী চহী ৭২ শুরবা মহন্ত হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বাগহম্বারি মাথতা লৈবা মহাক্কী কাদা শিরম্বা থেংনখি। প্রিলিমিনরি ওটোপসি রিপোর্টতা গিরিনা শিখিবদু মঙকশমদা থৌরী য়ানবদগী শ্বর হোনবা ঙমদবনি হায়না পনখি। উত্তর প্রদেশ পুলিসনা চথুবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না, মহন্ত নিংথৌকাবা নুমিৎতা লঞ্চ মতুংদ মহাক্কী কাদা চঙবা উখি।

নুমিৎতুগী নুমিদাংদা মহাক্কী খোঙলোইশিংনা থোঙ থিল্লুবদা রেস্পোন্স ফংখিদে। মহাক্কী খোঙলোইশিংনা থোঙ ফক্কায়রগা কাদা চঙবদা নরেন্দ্র গিরি সিলিংদগী থৌরী য়াল্লম্বা উখি। সুইসাইদ লেটরনি হায়বা খূৎনা ইবা চেরোল অমসু কা অদুদগী ফংখি। মদুদা মহন্ত নরেন্দ্র গিরিনা মহাক্কী ৱিল অমসুং মঙোন্দা অয়েৎ-অপন পীরিবা মীওই কয়াগী মিংশিং ইরমখি।

লাইনিংবা কয়ানা সুইসাইদ নোটনি হায়বা চেরোল অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহন্তগী মীশি অদু মী হাৎপগী কেস অমনি হায়বদগী ৱাথোক অমা লাকখি। মহাক্না সুইসাইদ নোটতা পল্লম্বা মীওই ৩ পুলিসনা ফাখি।

NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams
BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL &
GENERAL COURSES ETC.
MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.
FMGE/NEXT EXAM
will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023
FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334
CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in
HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.

DIRECT ADMISSION 2021-22
MBBS/BDS in India/Abroad
In Top ranking Universities and Institutions

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHA (BACHELOR IN HOSPITAL ADMINISTRATION)
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. MM (MEDICAL MICROBIOLOGY)
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. NAUTICAL SCIENCE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
M. Sc. PHARMACEUTICAL CHEMISTRY
M. Sc. PLANT PATHOLOGY
M. Sc. ZOOLOGY
M. Sc. BOTANY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
Contact No. - # 7085653886, # 8837454543
HL-P/9512/5/9-3/10 (alt)

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 301/SDC/SLG/IE-2021 22/09/2021**

Samom Tombi Singh S/o (L) S. Kalachand Singh of Yaiskul Janmasthan Leikai - Petitioner

-Versus-

Late Samom Kalachand Singh S/o Late Chaobhal Singh of Janmasthan - Opposite Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Sagolmang, the 22nd Sept, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 2-Yumnam Khunou পাট্টা নং 134 (অরিবা) 491 (অনৌবা), দাগ নং 2140, মোট এরিয়া 0.81 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি/ Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/0140/25

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 493/SDC/Kumbi/2021**

Oinam Bijoy Singh S/o (L) Munan Singh, Wangoo Awang Leikai - Petitioner

-Vs-

(Late) Oinam Munan Singh S/o (L) Jagoishabi Singh of Wangoo Awang Leikai - Op-Pattadar

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Kumbi, 22/9/21

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬১-ৱাঙুদা লৈবা পাট্টা নং ১৭৯২ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১২৯০ এরিয়া ০.৯০ একর চাওবা লম ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

HL-P/0156/25 **Sd/- SDC,** Kumbi

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, THOUBAL, MANIPUR

**Ref. :- R.R. No. 300/SDC/TBL/2021 Date 20/09/2021**

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Thoubal, the 24th September, 2021

অসিনা খঙহল্লি মদুদি (Late) Athokpam Shamu Singh expired on 10-06-2021 Husband of A. (O) Ibecha Devi a resident of Thoubal Ningombam, P.O. & P.S. Thoubal District, Thoubal, Manipur অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা Smt. Athokpam ongbi Ibecha Devi aged about 66 years অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী "Legal Wife" নি হায়দুনা মথক্কী SDC/Thoubal গী Office অসিদা হায়ররে। মরম অসিনা কনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা, য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি পাউচেদা ফোঙবদগীনা নুমীৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা মশা-মশা লাক্তুনা অইবা চেদা য়ানিংদবগী ৱারোল হাপ্তুনা মথক্কী SDC/Thoubal গী Office অসিদা Objection তৌগদবনি। পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি SDC/Thoubal গী Office না ৱাকৎ অসি মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা Objection SDC/Thoubal গী Office না লৌজরোই।

**Sd/- N. Shyamo Singh,**
Sub-Deputy Collector, Thoubal

HL-P/0153/25

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 398/SDC/IW-L/2021**

S. Paoneilam Vaiphei S/o (L) Palun Vaiphai of Nakhujang Village, Kharam Thadoi - Petitioner

- Vs -

Late S. Khupkholun Vaiphei S/o (L) Dempao Vaiphei of Nakhujang

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

24-9-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার S. Khupkholun Vaiphei পীতা মৃত Dempao Vaiphei সাং Nakhujang গী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌক্রকগী অনৌবা পাট্টা নং ১৬৮ দাগ নং ২৫, এরিয়া ১.৮৮ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলিবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/0155/25

KANGLEIPAK MEDICAL AND NURSING INSTITUTE
Khurai Konsam Leikai
Admission is going on for Academic Session 2021-2022.

| SL.NO. | COURSE | QUALIFICATION |
| --- | --- | --- |
| 1. | D. Pharm. | 10+2 Sc |
| 2. | Diploma in Medical Laboratory Technology | Matric, 10+2 passed |
| 3. | Diploma in Radiography Imaging Technology | Matric, 10+2 passed |
| 4. | Diploma in Electro Acupuncture | Matric, 10+2 passed |
| 5. | Diploma in E.C.G. | 10th pass |
| 6. | Diploma in Operation Theatre Technology | 10+2 passed |
| 7. | Diploma in Dialysis Technician | 10+2 passed |
| 8. | Diploma in Opthalmic Assistant | 10+2 passed |
| 9. | Diploma in Ultra Sonography | 10+2 passed |
| 10. | Bachelor in Medical Laboratory Technology | 10+2 passed |
| 11. | Bachelor in Medical Laboratory Technology (Lateral) | DMLT passed |
| 12. | Bachelor in Radiography Imaging Technology | 10+2 passed |
| 13. | Bachelor in Operation Theatre Technology | 10+2 passed |

☞ Wanted immediately two B.Pharm and one Librarian for Pharmacy College. Apply along with full bio-data and recent passport size photo.
☞ Online class will be started from first week of November 2021.
☞ Application form can be obtained during office hour.

HL-P/0138/23/9-2/10 Sd/- Managing Director

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING COLLEGE OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
*B. E (COMPUTER SCIENCE)
*B. E (CIVIL)
*B. E (MECHANICAL)
*B. E (ELECTRONICS & COMMUNICATIONS)
*B. E (ARTIFICIAL INTELLIGENCE & MACHINE LEARNING)
* College Highlights *
*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.
CONTACT US: 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/0105/20/9-4/10